# কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপীগী ৱেঠলিফটিংদা মণিপুর মচা সাইখোম মিরাবাই চনুনা মশাগী রেকোর্দ থুগাইজবগা লোয়ননা গোল্ড মেডল ফংখ্রে, ইভেন্ট অদুগী নুপাগী কাঙলুপ্তা গুরুরাজানা সিলভর লৌখ্রে



ৱেঠলিফটিংগী কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী রেকোর্দ ৬ লক থমদুনা গোল্ড ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী মিরাবাই চনু

গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ০৫ঃ
ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা নুপীগী ৱেঠলিফটিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা সাইখোম মিরাবাই চনুনা মশাগী রেকোর্দ কয়া থুগাইবগা লোয়ননা কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডলফংখ্রে। নুপাগী কাঙলুপ্তা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটরনা গুরুরাজানা কেজি ৫৬ গী কাঙলুপ্তা সিলভর ফংখ্রে।

সাইখোম মিরাবাই চনু মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা য়ুএসএগী সিটি অনাহেমদাপাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ফংদুনা চহী ২০ গী মতুংদা দিসিপ্লিন অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেডলফংবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ওইনা সাইখোম মিরাবাই চনুনা কুমজা ২০১৪ গ্লাসগো গেমসতা মহাক্কী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরি অদুদা অহানবা এটেম্প ৩ ঙমদদুনা য়াম্না ইকাইনিংঙাই ওইবা মওংদা লৈহৌবনি।

অদুবু মমাঙ চহীগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড ফংখিবা অদুনা মহাক্কী অশোনবা পূম্নমক কুপশিন্দুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ৱেঠলিফটিং পুৱারীদা মমিং লৈরম্বী মণিপুরদগী হৌখিবা এন কুঞ্জরানি দেবী অমসুং কর্নাম মালেশ্বরীগী মতুংদা সাইখোম মিরাবাইনা অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখিবনি।

মিরাবাইনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী ৱেঠলিফটিংগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা স্নেটচ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।

মহাক্না স্নেটচকী এটেম্প ৩ দা থাঙ্গৎখিবা অরুম্বা অদু অনৌবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী রেকোর্দ ওইখি। মদুগী মতুং ক্লিন এন্দ জর্কতসু মহাক্না এটেম্প ৩ মক কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ ওইখি।

স্নেটচতা সাইখোম মিরাবাই চনুনা অহুম্নকশুবা অমদি অরোইবা এটেম্পতা কেজি ৮৬ থাঙ্গৎতুনা মহাক্না মমাঙগী চহীদা য়ুএসএদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মশাগী ওইনা কেজি ৮৫ থাঙ্গৎখিবা অদুদগী কেজি অমা হেনগৎলগা অনৌবা মশাগী ওইবা রেকোর্দ থমখি।

স্নেটচতা রেকোর্দ থমদুনা মহাক্কী অতোপ্পা লম্বাশিংদগী মাঙজিল থাবা ঙম্লবা মতুং ক্লিন এন্দ জর্কতা মমাঙদা নাইজেরিয়াগী লিফটর নুৱাকোলোনা থম্লম্বা কেজি ৯৮ গী রেকোর্দ অদু অহানবা এটেম্পতা মিরাবাইনা কেজি ১০৩ থাঙ্গৎলগা অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

মহাক্কী অনীশুবা এটেম্পতা কেজি ১০৭ থাঙ্গৎতুনা অনীশুবা রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখি। মিরাবাইনা ক্লিন এন্দ জর্ককী অহুমশুবা অমদি অরোইবা এটেম্পতা কেজি ১১০ থাঙ্গৎপা অদুসু ঙমদুনা রেকোর্দ ওইবদগী মশান্না অসিগী পুৱারীদা এটেম্প ৬ লক তৌবদা ৬ মক ৱার্ল্ড রেকোদ ওইদুনা ফজবা ঙমখিবনি।

মিরাবাইনা স্নেটচতা কেজি ৮৬ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১০ থাঙ্গৎতুনা পুন্না কেজি ১৯৬ থাঙ্গৎলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা মোরিসিয়সকী মারি রানাইবোসৱানা কেজি ১৭০ (স্নেটচতা কেজি ৭৬ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৯৪) থাঙ্গৎলগা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা শ্রী লঙ্কাগী দিনুসানা কেজি ১৫৫ (স্নেটচতা কেজি ৭০ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৮৫) থাঙ্গৎলগা লৌখি।

ৱেঠলিফটিংগী ঙসি অঙনবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৫৬ গী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী লিফটর গুরুরাজানা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১১ অমসুং স্নেটচতা কেজি ১৩৮ থাঙ্গৎতুনা পুন্না কেজি ২৪৯ থাঙ্গৎলগা সিলভর মেডল ফংখি।



কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা সিলভর মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী ৱেঠলিফটর গুরুরাজানা

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা লৈখিবা রিজল্টশিং অদুদি-

**টেবল টেন্নিসঃ-** গোল্ড কোষ্ট সিটিগী ওজেনফোর্দ ষ্টুদিওসতা শান্নখিবা নুপাগী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম্না নোদর্ন আয়রলেন্দ অমসুং ট্রিনিদাদ এন্দ টোবেগোবু চপ মান্নবা স্কোরদা মেটচ ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা নুপীগী টিম্না শ্রী লঙ্কাবু মেটচ ৩-০ দা থোইরবা মতুং ৱেল্‌সপু মেটচ ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

**বেদমিন্টনঃ-** বেদমিন্টন দিসিপ্লনগী ঙসি হৌখিবা টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কা অমসুং পাকিষ্টানবু মায়থিবা পীখি।

অহানবা লম্বাদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু মেটচ ৫-০ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবুসু চপ মান্নবা স্কোরদা মেটচ ৫-০ দা থোইখি।

টিম ইভেন্টতা লৈরিবা মেটচ ৫ অদু মিক্স টিমগী মেটচ ১, নুপাগী অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ অমমম অদুগা নুপা অমসুং নুপীগী দবলসকী মেটচ অমমমনি। হায়রিবা মেটচ ৫মক ইন্দিয়ানা মায় পাক্কুনা টিম অসিগী গ্রুপ্তা মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

**হোক্কিঃ-** ঙসি ২১শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিগী গোল্ড কোষ্ট হোক্কি সেন্টরদা নুপীগী পুল 'এ' গী অহানবা লীগ মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম ৱেল্‌সনা পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

ৱেল্‌স টিম্না ঙসি ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখিবা অদু লৈবাক অদুগী ওইনা অহানবা ওইরি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর অনী ইন্দিয়াগী শান্নরোই য়াম্না তপ্পা শান্নখিবা মরম্না ৱেল্‌সনা খুদোংচাবা লৌখি।

৭শুবা মিনটতা ৱেল্‌সকী লিজা দেলিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং অনীশুবা ক্বার্টরগী লোইরমদাই মিনট ২৬ চঙশিল্লকপদা ৱেল্‌সকী সিয়ান ফ্রেন্সনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থারগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা হেনগৎলক্কুনা কেপ্টেন রানি রামপাল অমসুং নিকি প্রধাননা পাঞ্জল অমমম চল্লগা মেটচ অদু ২-২ দা লৈনখি।

অদুবু মেটচ লোইরমদাইদা ৱেল্‌সকী মায়কৈদগী চথরকপা কাউন্টর এটেক অমদা ইন্দিয়াগী কিপর সবিতানা ঙাকথোকখিগদবা বোল অমা মহাক্কী ষ্টিকতা নীংথিনা পালহৌদবদগী খুদোংচাবা অদু ৱেল্‌সকী নাটাসা মার্কে জোন্সনা লৌদুনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ইন্দিয়াবু ৩-২ দা থোইখিবনি।

ইন্দিয়ানা পুল 'এ' দা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌননবা মখা তাবা মেটচশিং মায় পাক্কবা য়াদবগী তাঞ্জা অমা লাক্লি। হয়েং অনীশুবা লীগ মেটচতা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরি।

**বোক্সিং ঃ-** ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর মনোজ কুমারনা কেজি ৬৯ কেটেগোরিদা ঙসি লম্বা তৌখিবা অহানবা রাউন্দদা নাইজেরিয়াগী বোক্সর ওসিটা উমেবু মায়থিবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ওইনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মনোজ কুমার মথন্তা বাওট শান্নখি। মহাক মমাঙদা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডলফংবা ঙমখ্রবা বোক্সরনি। অদুগা ২০১০ দিল্লি গেমসতা গোল্ড ফংখিবনি।

**Commonwealth Games 2018 Medal Tally**

| Rank | Country | G | S | B | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | England | 6 | 3 | 3 | 12 |
| 2 | Australia | 5 | 4 | 6 | 15 |
| 3 | Malaysia | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 4 | Canada | 1 | 3 | 3 | 7 |
| 5 | Scotland | 1 | 2 | 2 | 5 |
| 6 | New Zealand | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 7 | India | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 8 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 8 | South Africa | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 10 | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 10 | Papua N Guinea | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 10 | Wales | 0 | 1 | 0 | 1 |



ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইদুনা হরাওরিবা ৱেল্‌সকী শান্নরোইশিং

# জর্মনিগী জোর্জেস অমসুং য়ুএসএগী মেদিসন কিজ ভোলভো কার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



চার্লিষ্টোন, এপ্রিল ০৫ঃ
জর্মনিগী জে জোর্জেস অমসুং য়ুএসএগী মেদিসন কিজ য়ুএসএগী সিটি চার্লিষ্টোনদা লৈবা ফেমিলি সার্কল টেন্নিস সেন্টরদা চথরিবা ভোলভো কার ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

জর্মনিগী জে জোর্জেসনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী কে আনবু য়াম্না লম্বা মওংদা সেট ২-১ দা থোইখি।

অহানবা সেট আননা ৬-২ দা থোইরবা মতুং জোর্জেসনা অনীশুবা সেট অদু ৬-৪ দা থোইরবা মতুং দিসাইদিং সেট অদু টাই ব্রেক্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী জোর্জেসনা ৭-৬(৭-১) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অহুমশুবা রাউন্দদা মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নাওমী ওসাকাগা লম্বা তৌনরগনি। ওসাকানা অনীশুবা রাউন্দনা জর্মনিগী এল সিজমুন্দবু মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ুএসএগী মেদিসন কিজ ৭শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপদা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না স্পেনগী এল অরুৱাবরেনাবু ৬-১, ৩-৬, ৬-৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাব্রিলোভাবু ৬-২, ২-৬, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্বী ইটালিগী সি জিওর্জিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই লাটভিয়াগী এ সেভাষ্টোভানা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ শান্নরোই এসলি বার্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

সেভাষ্টোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী সি দোলিহাইদেবু মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা বার্টিনা জর্মনিগী শান্নরোই টি মারিয়াবু থোইরম্বনি।

রুশিয়াগী শান্নরোই ভোলভো দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা সিদেদ ওইরিবী এলিনা ভেসনিনানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী শান্নরোই টি টাওনসেনবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী পেত্রা কিটোভাবু ১-৬, ৬-১, ৬-৩ দা থোইরম্বী অতোপ্পা জেক্কী শান্নরোই কৃষ্টিনা প্লিজকোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

রোমানিয়াগী শান্নরোই আই সি বেগু টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকপী য়ুএসএগী সি লিয়ুবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ঙরাং মাঙজৌননা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাগা থেংনরগনি।

বেলজিয়মগী শান্নরোই কিকি বর্টেন্সনা অনীশুবা রাউন্দদা সর্ভিয়াগী এ ক্রুনিককা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-২ দা মায় পাক্কুনা অহুমশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী গ্রেট বৃটেনগী জোহানা কোন্টাবু ৬-৩, ৬-৪ দা য়াম্না কোম্না থোইখিবী টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবী নেদরলেন্দসকী এস ষ্টোলরগা লম্বা তৌনরগনি।

ইটালিগী শান্নরোই সারা ইরানিনা রোমানিয়াগী শান্নরোই এম বুজারনেস্কুবু ৩-৬, ৭-৬(৭-৫), ৬-২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী দি য়াষ্ট্রেমস্কাবু ৭-৬(৭-৪), ১-৬, ৬-৪ দা থোইরম্বী য়ুএসএগী বি পেরাগা শান্নরগনি।

ফ্রান্সকী শান্নরোই এলিজ কোর্নেটনা স্লোভেনিয়াগী পি হর্কোগপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ভোলভো দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই কেরোলিন গার্সিয়াগা অহুমশুবা রাউন্দ থেংনরগনি।

# স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা অমসুং ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুল চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিং মায় পাকখ্রে



বার্সেলোনা /লন্দন, এপ্রিল ০৫ঃ
য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা লৈরিবা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব বার্সেলোনা অমসুং ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুল মায় পাকখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা বার্সেলোনা য়ুম্বু ওইদুনা কেম্প নৌদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা ইটালিগী ক্লব রোমাবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

বার্সেলোনা অমসুং রোমানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩০ রোম চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রোমাগী শান্নরোই দেনিয়েলি দি রোজিনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা বার্সেলোনানা মখোয়বু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই কোন্টাটিনোস মানোলাসনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা মখোয়বু বার্সেলোনানা পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা গেরার্দ পিক্যুনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা রোমাবু খুৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ইদিন জেকোনা শোত্থরম্বা পাঞ্জল অহুমগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তানা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদু শান্নরকপদা মেটচকী অপীবা মতম লোয়গদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা লুই স্বারেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনানা ইটালিগী ক্লব রোমাবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌনবগী শেম শাদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু লিভরপুলনা পাঞ্জল ৩-০ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মোহমদ সালানা চন্দুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেন্দুনা লাকখি। শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা টিম অদুনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা এলেক্স ওজালেদ চেম্বরলেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা সাদিও মানেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু পাঞ্জল ৩ মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অদু নিয়ম লান্না থিংলুবগীদমক রেফরিনা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই ৪ য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা পাঞ্জল ৩ অদু হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি লিভরপুলগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।